# নেসনল গেমস : ইনুংঙানবী অমদি লক্ষমীনা জুদো অমসুং রুশুদা গোল্ড লৌখ্রে; ইন্দুবালা, কবিদাসনা ব্রোঞ্জ ফংহৌরে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ৯(ঐচএনএস): গুজরাটনা যূম্বু ওইদুনা চথরিবা ৩৬শুবা নেসনল গেমসকী ঙসি ১১নি শুবা নুমিৎতা মণিপুরনা জুদো মশান্নদা গোল্ড ১, ব্রোঞ্জ ১; রুশু মশান্নদা গোল্ড ১ অমদি ট্রাইথলোনদা ব্রোঞ্জ ১ পূন্না মেদল ৪ ফংবা ঙমখ্রে।

মণিপুরনা হৌজিকফাওবদা গোল্ড ১৭, সিলভর ৫ অমদি ব্রোঞ্জ ১৬ পূন্না মেদল ৩৮ ফংবা ঙমখ্রে। মণিপুরনা থাংজ নুমিৎ ফাওবদা পূন্না মেদল ৩৪ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী ৯শুবা মফমদা লৈরকখিবনি।

জুদো মশান্নগী ঙসি গান্ধীনগরগী মহাত্মা মন্দির এগজিবিসন হোল-১দা শান্নখিবা নুপীগী কেজি ৭০ মখাগী ফাইনেলদা ষ্টেটকী জুদোকা পি ইনুংঙানবীনা পঞ্জাবকী সোনমবু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

অতোপ্পা নুপীগী কেজি ৭৮ মখাগী ব্রোঞ্জ মেদল বাউটতা এন ইন্দুবালানা মহাক্কী রাজস্থানগী ওপোনেন্টবু মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, রুশু মশান্নগী ঙসি গান্ধীনগরগী মহাত্মা মন্দির এগজিবিসন হোল-২দা শান্নখিবা নুপীগী তাওলু ইভেন্টকী ননক্কান অমদি ননদাওদা কোঞ্জেংবম লক্ষমীনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

মশান্না অসিগী নুপাগী তাওলু ইভেন্টতা ষ্টেটকী শান্নরোয় তোইজম মেঘজিৎ, সলাম মার্শেল অমদি নিংথৌজম মালেমঙানবা অদুগা নুপীগীদা ৰাংখৈরাকপম নিংথিবীনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নরগনি। মখোয়না শোয়দনা মণিপুরগী গোল্ড মেদল ফংগনি পানরি।

অতোপ্পা আই আই টি গান্ধীনগরদা ঙসি পাঙথোকখিবা ট্রাইথলোন ইভেন্টতা ষ্টেটকী শান্নরোয় ক্ষেত্রিময়ুম কবিদাসনা সেকেন্দ ১:০৫:২৮দা লমথুংফম যৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।



ইভেন্ট অসিদা এস এস বিগী অদরশ অমদি বিশ্বনাথ য়াদবনা সেকেন্দ ১:০২:১৬ অমদি ১:০৪:৩৬তা লমথুংফম যৌদুনা গোল্ড অমদি সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি।

বোক্সিং মশান্নগী ঙসি গান্ধীনগরগী মহাত্মা মন্দির এগজিবিসন হোল-৩দা শান্নখিবা নুপাগী কেজি ৫৭-৬০ কাঙলূপকী কার্টর ফাইনেল বাউটতা ষ্টেটকী বোক্সর মোইরাংথেম মাইসননা মহাক্কী দেল্লীগী ওপোনেন্ট রিতিকপু য়ুনানিমস দিসিজন ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখি।

নুপীগী ফুটবোল মশান্নদা মণিপুরনা ওরিষ্যাগা ফাইনেলদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লম্বা তৌনরগনি।

**Discipline wise medal tally (Manipur)**

| | Discipline | Gold | Silver | Bronze |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Cycling | 6 | 2 | 2 |
| 2 | Weightlifting | 3 | 1 | 1 |
| 3 | Archery | 2 | 1 | 1 |
| 4 | Fencing | 1 | 1 | 4 |
| 5 | Judo | 2 | 0 | 4 |
| 6 | Rowing | 1 | 0 | 1 |
| 6 | Roller Sports | 1 | 0 | 0 |
| 7 | Wrestling | 0 | 0 | 1 |
| 8 | Gymnastics | 0 | 0 | 1 |
| 9 | Wushu | 1 | 0 | 0 |
| 8 | Triathlon | 0 | 0 | 1 |
| | **Total** | **17** | **5** | **16** |

# মণিপুর ষ্টেট লীগ : নেরোকানা ট্রাও এফ সী, দি এম রাওনা নাকো মায়থীবা পীখ্রে

MSL - 2022

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৯(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ১৫শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অনীদা নেরোকা এফ সী সঙাকফম অমদি দিমাপুর রোদ এথলেটিক ওর্গনাইজেসন (দি এম রাও) অৰাং সেকমাই মায় পাকখ্রে।

আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা দি এম রাও অৰাং সেকমাইনা নম্বুল মপাল এথলেটিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (নাকো)বু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

দি এম রাওগী বোনিসন নোংমাইথেমনা শান্নবা হৌরকপগী ৬শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা নাকো নম্বুল মপালবু ১-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা অৰাং সেকমাইগী নুপামচাশিংগী খূদুম চনবা মখা চথরকপা ওইনা বোনিসননা শান্নবগী ৬৬শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা ওইনাম মালেমঙানবা মৈতৈনা শান্নবগী ৭২ শুবা মিনটতা দি এম রাওগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। ঙাথেম ইমর্সন মৈতৈনা শান্নবগী ৮৩শুবা মিনটতা দি এম রাওগী গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি।

মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ৪শুবা মিনটতা ঙাইরাংবম রাকেশনা নাকোগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনখিবগা লোয়ননা ১-৪দা দি এম রাওগী মখূৎতা মায়থীবা নংখি।

মেটচ অসিদা রেফরি তেকচম রঞ্জিতানা নাকোগী ঙাঙোম পিটর অমদি দি এম রাওগী পেবম লিস্থোইঙম্বা শান্নবগী ৩৯ অমদি ৪৯ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অমরোমদা, চপমান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা নেরোকা এফ সীনা টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ট্রাও) ক্লাকৈথেলবু লাকচনা ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৰাই সোনম চোথেনা শান্নবগী ৩৩ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী নেরোকাগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। এস জোনি কোমনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৭৫ শুবা মিনটতা নেরোকাগী গোল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। মখা তানা মেটচ লোইরমদাই মংলেনথাং লুফেংনা শান্নবগী ৮৭ মিনটতা নেরোকাগী মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি থুল্লি জয়সিং মোন্সাংনা মায় পাকখিবা নেরোকাগী শান্নরোয় ৩- ৰাই সোনম চোথে, সী পাওগিনমোন অমদি মাইবম সুনিল শান্নবগী ৪৫, ৭৫ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ৪শুবা মিনটতা অদুগা ট্রাওগী আর কেচিরঞ্জন অমদি গোলকিপর ফাইরেম্বম প্রতাপপু শান্নবগী ২২ অমদি ৩২ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখিবনি।

খেলো ইন্দিয়া য়ু-১৭ গলর্স ষ্টেট লীগ

# ক্রিপসা, ৰাই দব্লিয়ু সী (এল) মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৯(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা খেলো ইন্দিয়া ষ্টেট লীগ ফোর অন্দর-১৭ গলর্স ঙসি অয়ূক লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা কাংচুপ রোদ য়ং ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস এসোসিএসন (ক্রিপসা) নাওরেমথোংনা অন্দ্রো মহিলা মন্দল এসোসিএসন (এ এম এম এ) অন্দ্রোবু লাকচনা ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

নিংথৌজম ওলিভিয়া চনুনা শান্নবা হৌরকপগী ১০শুবা মিনটতা ক্রিপসাগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা য়াইফবী থোকচোমনা শান্নবগী ১২ শুবা মিনটতা ক্রিপসাগী অনীশুবা গোল চনখি। কেপ্টেন মোইবুংখোংবম সঞ্জনা চনুনা শান্নবগী ২৬ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিন্দুনা এ এম এম এ অন্দ্রোবু ৩-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা হেমাম লিস্থোইনা শান্নবগী ৮০ শুবা মিনটতা ক্রিপসাগী গোল ১গা হাপচিন্দুনা অন্দ্রো টিমবু লাকচনা ৪-০দা মায়থীবা পীখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা দি য়ং ৰেলফ্যের ক্লব (ৰাই দব্লিয়ু সী) লংথবালনা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ঈ এস য়ু) ৰাঙ্খৈবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা লম্বা মান্ননা শান্নদুনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবা হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ য়ং ৰেলফ্যের ক্লবকী কেপ্টেন রেমী থোকচোমনা শান্নবগী ৪৯ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা হোইননজেমনা য়ং ৰেলফ্যের ক্লবকী মায় পাকপগী ২শুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা মাইবম রোশনী চনুনা সেন্টর রেফরি, বিদ্যাবতি য়ুম্নাম অমদি ওইনাম সনাতোম্বীনা এসিষ্টেন্ট রেফরি অদুগা এস লিতনবালা চনুনা ফোর্থ ওফিসল ওইনা শরুক য়াখি।

# ইম্ফাল ৰেষ্ট থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ হৌরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৯(ঐচএনএস): ইম্ফাল ৰেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ৫শুবা মনি শর্ম্মা মেমোরিএল থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২২ থা অসিগী ১৪দগী হৌদুনা ৰাই দব্লিয়ু সী গ্রাউন্দ মালোমদা পাঙথোক্লগনি।

লীগ অসিদা পূন্না টিম ১৬না গ্রুপ অনী থোক্তুনা শরুক য়ারি। গ্রুপ এদা কে এ এল ৰাই সী চজিং করাম, এম এস সী মালোম, নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি (এন এস য়ু) এফ সী, ৰাফা ৰাঙ্গোই, ৰাই এ সী য়ুরেম্বম, ক্রিপসা নাওরেমথোং, সলাম জেভেনিল অমদি টি এস এফ এ তোপ সিফাইনা শরুক য়ারি।

গ্রুপ বিদা য়ু এস সী ফয়েং, আই য়ু এফ সী সেকমাই, পি টি সী সী পাৎসোই, এম টি এস য়ু মালোম, এম টি য়ু এফ সীময়াং ইম্ফাল, কে এস ৰাই সী হিয়াংথাং, এম আই এস দব্লিয়ু সী ময়াং ইম্ফাল অমদি ঐচ বি এস সী হাওরৈবীনা শরুক য়ারি।

লীগ অসিগী অহৌবা মেটচতা থা অসিগী ১৪গী নুংথিল পুং ১.৩০দা গ্রুপ এগী কে এ এল ৰাই সী চজিং করাম অমদি টি এস এফ এ তোপ সিফাই অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

মথং থা অসিগী ১৬তা মেটচ অনী শান্নগনি। অহানবদা নুংথিল পুং ১২.৪৫দা গ্রুপ এগী এম এস সী মালোম অমদি এস জে সী সলাম থেংনরগনি। অনীশুবদা নুংথিল পুং ২.৩০দা গ্রুপ বিগী য়ু এস সী ফয়েং অমদি ঐচ বি এস সী হাওরৈবী অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

# এথলিট ১০ ইষ্টর্ন জোন চেম্পিয়নশিপকী খনখ্রে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ৯(ঐচএনএস): কোলকাটানা যূম্বু ওইদুনা নভেম্বর ১২দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১ শুবা ইষ্টর্ন জোন সিনিয়র, মাষ্টর, দিভ্যাং মেন্স বোদি বিল্ডিং; মেন্স স্পোর্টস ফিজিক এন্দ ৰিমেন্স মোদেল ফিজিক চেম্পিয়নশিপ ২০২২দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন (অম্বা)না শীন্দুনা ঙসি খুমন লম্পাক্তা লৈবা এসোসিএসনগী ওফিসতা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লবা মতুং এথলিট ১০ অমদি ওফিসল ২ খনখ্রে।

খনগৎলবা ওফিসল ২ অদুদি আই বিপিন (কোচ) অমদি ও অজিৎ (মেনেজর)নি।

অতোপ্পা খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুনা মেন্স বোদি বিল্ডিং কাঙলূপ্তা থ্রী ব্রদর জিম কোংপালগী বোরিশ পেচিময়ুম (কেজি ৫৫), পেকা মেমোরিএল জিম মোরেগী পিটর থাংমিনলেন মিসাও (কেজি ৬০), অম্বাগী লোংজম এলিসন মৈতে অমদি রোয়ল জিম্নাসিয়ম উখুলগী য়ুবরাজ সোনর (কেজি ৭০), পেকা মেমোরিএল জিমগী শরত লুমিনথাং জাওথাং (কেজি ৮০), এল পি জিম শীংজমৈগী পেবম মেধাজিৎ অমদি ওরিএন্টেল জিম য়াইরিপোককী কৈশাম মিজেন (কেজি ৮৫ মথক); মেন্স স্পোর্টস ফিজিক কাঙলূপ্তা এল পি জিম শীংজমৈগী চোংথাম বিদ্যানন্দ (ওপন); ৰিমেন্স মোদেল ফিজিক (ওপন) কাঙলূপ্তা রোয়ল জিম্নাসিয়ম উখুলগী সোলিমলা জাজো অমদি লায়ন জিম হেল্থ এন্দ ফিটনেস ক্লাকৈথেলগী নেহা রাজকুমারীনি।

সনফিষ্ট কপ য়ু-১৬

# জেককী হেটট্রিককী মতেংনা ট্রাওনা লায়ন এফ সীবু লাকচনা থোইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৯(ঐচএনএস): জেকনা চনখিবা গোল ৩ অদুগা ৰারিশ, জেনিন অমদি থৌঙম্বনা শান্নবগী ১৭, ২৫ অমদি ৩৮ শুবা মিনটতা চনখিবা গোল অমমম্গী মতেংনা ট্রাও ক্লাকৈথেলনা লায়ন এফ সীবু লাকচনা ৬-০দা এস পি টি স্পোর্টসনা শীন্দুনা চথরিবা সনফিষ্ট কপ ২০২২গী ঙসি শান্নখিবা অন্দর-১৬কী মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।



জেককী অহানবা গোল অদুনা শান্নবা হৌরকপগী ৮শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী অনীশুবা অমদি হেটট্রিক গোল অদুনা শান্নবগী ১৫ অমদি ১৯ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা দব্লিয়ু য়ু এফ সী ৰাংজিংনা থাও-এথাংমৈবন্দবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৰাংজিং টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মালেমঙানবা, উমাকান্ত অমদি রাজবোইনা চনখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা এম এফ এ কোন্থা খাবমনা চিলচিল কংলাতোংবীবু ১-০দ মায়থীবা পীখি। এম এফ এগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু নোংশাবনা চনখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা সাই এস দি সী উৎলৌনা গোল্ডষ্টার য়ুম্নাম খুনৌবু ২-০দা মায়থীবা পীখি। কংলেনঙানবা অমদি লনচেনবনা য়ুম্নাম খুনৌগী মায় পাকপগী গোলশিং চনখি।

গোল্ডেন এফ এ পেলেস কম্পাউন্দনা এম এস সী পুখাওবু টাই ব্রেকতা ৩-২দা মায়থীবা পীখি। টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা গোল অমমম্ চন্নদুনা দ্রো ওইখিবনি।

অতোপ্পা মেটচশিংদা এফ ৪ সী-এ সাইকুল, থাও-বিথাংমৈবন্দ, য়োল্লো কৈবী, এন এফ এ পোরোম্পাৎ, য়ুনাইটেদ ব্রদর খোংসাই ভেং, এস এন জি সী সাইকুল অমদি নেসু খুরাই মায় পাকখ্রে।

ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# দেনমার্কনা ৱাংনা থাজবা থমদুনা মখোয়গী ৬শুবা ৱর্ল্ড কপকী শেম শাখ্রে

## নুমিৎ ৪১নি খক্তা ঙাইশিল্লক্লে মীয়াম পূন্না ঙাইমিন্নগদবা



দেনমার্ককী হেদ কোচ কেস্পর হিউলমেন্দ

হেদ কোচ কেস্পর হিউলমেন্দনা মহাক্কী শান্নরোয়শিংবু অচেৎপা থাজবা থম্বগা লোয়ননা দেনমার্কনা মখোয়গী ৬লকশুবা ওইনা ফিফা ৱর্ল্ড কপ শরুক য়ানবগী শেম শাবা পূন্নমক লোইখ্রে।

কোচ কেস্পরনা ইন্টর্ভিয়ু অমদা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয় ব্রাজিল, জর্মনি নৎত্রগা ফ্রান্সকুম্বা নত্তে, অদুবু ঐখোয়দা অতোপ্পশিংদা য়াওদবা করিগুম্বা খরা য়াওরি। এরিক্সেননা কোলাপ্স ওইখ্রবা মতুং অমুক নীংথিনা ফগৎলকপা অসিনা টিমবু হেন্না মপাঙ্গল কলহনবদা নৎতনা বেলেন্স ওইনা থম্বা ঙম্লগনি। দেনমার্ককী হৌখিবা পুৱারীশিংদগী হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী হেন্না রিকোভরি তৌদুনা কটার মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিগীদমক শেম শাদুনা লৈখ্রে। মহাক্কী হার্ট এটেককী থা ৯ লৈরবা মতুং মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা অমুক হল্লক্তুনা ফিল্ডদা চঙখিবগী অহানবা মিনট ২দা গোল স্কোর তৌবা ঙমখিবনি। ফুটবোলগী পুৱারীদা মীয়াম্না থাজদবা অঙকপা ওইখিবা অদুগুম্না কটার মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিদা অনৌবা চেপ্টর অমা হাংবা

কটার ২০২২দা মরুওইবা থৌদাং লৌগদৌরিবা দেনমার্ককী শান্নরোয় মঙা



খৃষ্টিয়ন এরিক্সেন (মিদফিল্ডর) | পিয়র-মেল হোইবিয়ক (মিদফিল্ডর) | সিমন কেয়র (সেন্টর বেক) | য়োকিম মেহলে (ফুল বেক) | য়ুসুফ পোলসন (ফোরৱার্দ)

কনবা টিম ওইরগনি অমদি কটার মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিদা মায় পাক্না কেম্প্যেন চঙশিনবা ঙমগনি হায়বগী ৱাংনা থাজবা লৈ ফোঙদোকখি।

দেনমার্কনা ৱর্ল্ড কপকী পুৱারীদা অহানবা ওইনা ১৯৮৬তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। মতম অদুদা মখোয়গী গ্রুপ ষ্টেজকী মেটচ অহুম্মক মায় পাকপা ঙমখি। অদুবু নোক আউট ষ্টেজতা স্পেনগী মখূৎতা মায়থীবা নংহৌখিবনি। হৌজিক ফাওবদা দেনমার্ককী ওইনা ৱর্ল্ড কপকী পুৱারীদা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স



অল-ৱাকরাদা লৈবা ২০১৯গী মে ১৬তা শঙ্গাখিবা মীওই ৪০,০০০গী কেপাসিটি ওইবা হান্না অল-ৱাকরা ষ্টেদিয়ম হায়না খঙনরম্বা "অল জানোব ষ্টেদিয়ম"

পীখিবা হায়রগদি মখোয়না কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা ১৯৯৮গী অসিনা ওইরি।

মমাং চহীদা পাঙথোকখিবা য়ু ঈ এফ এ য়ুরোপিয়ন লীগকী ওপনিং মেটচ শান্নরিঙৈ মনুংদা হার্ট এটেক তৌরক্তুনা লেকথরকখিবা খৃষ্টিয়ন এরিক্সেননা মহাক্কী হকচাংগী অনাবশিং ফুল ঙম্নবা হোৎনগদৌরি। মহাক্না টিম অসিগী থৱায় অমদি রিদম ওইদুনা লুচিংগদৌরি।

কোচ কেস্পরনা য়াম্না হেন্নসু থাজবা থল্লিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী টিম টোটেনহাম হোটস্পরগী মিদফিল্ডর পিয়র-মেল হোইবিয়ককী তোপ-তোপ্পা গেম মনুংদা মহাক্না বোল য়াওবা অমদি য়াওদনা তৌবা ঙম্বশিং অদু দেনমার্ককী ফেনশিংদা উৎনবা হোৎনগদৌরি।


এ সী মিলানদগী এন্টফিল্ডদা লাকখিবা সিমন কেয়রনা মহাক্কী টিম অমদি লৈবাক্কী অচৌবা রোল মোদেল ওইদুনা শান্নগদৌরি। মহাক্কী তোপ-তোপ্পা লীদরশিপ ক্বালিটি চেনবা অসিদা বৃটিশ ন্যুজপেপর ওইরিবা 'দি গার্জিয়ন'না মহাকপু 'ফুটবোল্লর ওফ ২০২১'গী মিংথোল পীখি। মসিমক্না মহাকপু য়ু ঈ এফ এ প্রসিদেন্ট এৱার্দ ফংবদা নৎতনা বেলোন দি'ওরগী ভোটিংদা ১৮শুবা মফমদা লৈবা ঙমখিবনি।

ৱর্ল্ড কপকী মফম কনবদা অষ্ট্রিয়াবু মায়থীবা পীখিবদা গোল চনখিবা অমদি তোপ-তোপ্পা ফুল বেককী পোজিসনদা শান্নরিবা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয় য়োকিম মেহলে অমদি কটার মেগা স্পোর্টস ইভেন্টকী দেনমার্ককী গোল হর্ন্টিং তৌগনি পানরিবা য়ুসুফ পোলসননা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরি।

| Date | Match Details (Grp-D) | Venue |
|---|---|---|
| November 22 | Denmark vs Tunisia | Education City Stadium |
| November 26 | Denmark vs France | Stadium 974 |
| November 30 | Denmark vs Australia | Al Janoub Stadium |

SPOKEN ENGLISH
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894
HL-B/7775/2/10,11,12/10-1/12(alt)

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 597**

Wesley So (2773) - Hrant Melkumyan (2634)
44th Olympiad 2022 Chennai IND, 2022.08.05

1.e4 c6 2.Nc3 d5 3.Nf3 Bg4 4.h3 Bxf3 5.Qxf3 e6 6.Be2 Bc5 7.O-O Nd7 8.exd5 cxd5 9.Rd1 Ngf6 10.d4 Be7 11.Bd3 O-O 12.Bf4 Nb8 13.Ne2 Nc6 14.c3 Re8 15.Re1 g6 16.Ng3 Nd7 17.Re3 e5 18.Bh6 e4 19. ...

**QUESTION :**
White to win

**Puzzle 596 Ans. :**
32. Qf6+ Ke8 33. Qh8+ Ke7 34. Ng6+ fxg6 35. Qf8# Dovetail mate
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com